# উরুগ্বেগী ষ্টার প্লেয়র স্বারেজ মরাল লৈরম্লবদি মেটচ ২৪গী অথিংবা থম্লবা য়ারি

*রিও দি জানেরো, জুন ২৫ঃ* ব্রাজিলগী নাতালগী এরেনা দাস দুনস ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা গ্রুপ (দি)গী অরোইবা লীগ মেটচ অমদা উরুগ্বেগী ষ্টার প্লেয়র ওইরিবা চহী ২৭ শুরবা লুৱিজ স্বারেজনা ইটালিগী দিফেন্দর জিওর্জিও কেলৈনিগী লেংজুমদা চিকপগী মরাল লৈরম্লবদি ফিফাগী গভর্নিং বোনিনা মেটচ ২৪ গী অথিংবা থম্লবা য়াই হায়রি। মেটচ অদু উরুগ্বেনা ইটালিবু গোল ১–০ দা মায়থীবা পীদুনা গ্রুপ (দি)গী রন্নর্স অপ তাবগা লোয়ননা প্রি ক্বার্টর ফাইনেল চঙখি।

পনবা য়াবদি মমাংদা থৌদোক অসিগা মান্নবা মওংদা লুৱিজ স্বারেজনা ইং ২০১০ দা অজাক্সতা শান্নরিঙৈদা পি এস ভি ইন্দোভেনগী মিদফিল্ডর ওটমান বাকালগী ঙকশমদা চিকই হায়বা মরালদা মেটচ ৭ কী অথিংবা থম্লুরে। ইং ২০১৩ গী এপ্রিলদা চেলসিগা শান্নখিবা মেটচ অমদা মহাক্না চেলসিগী দিফেন্দর অমা ওইরিবা ব্রেনিস্লাব ইভানোভিক্কী লেংজুমদা চিকপগী থৌদোক অমসু লৈখ্রবনি। থৌদোক অদুগী মতুংদা মহাক্না লাল্লে হায়না ফোঙদোকপগা লোয়ননা মহাকপু মেটচ ১০ গী অথিংবসু থমখি।

দারকুলাগী শক্তম লৌরক্লবা লুৱিজ স্বারেজ



উরুগ্বেগী ষ্ট্রাইকর লুৱিজ স্বারেজনা চহী ৪ গী মনুংদা হন্দক্কী অসি থারগা অতোপ্পা প্লেয়রদা চিকপগী থৌদোক অসি অহুমলক শুবা ওইরি।

## টামেংলোংগী ফার্ষ্ট দিভিজন সেনিয়র লীগ হৌখ্রে

*ইম্ফাল, জুন ২৫ঃ* দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস এসোসিয়েসন টামেংলোংনা শিন্দুনা ঙসিদগী মিনি ষ্টেদিয়ম লাৱর গ্রাউন্দা ফার্ষ্ট দিভিজন সেনিয়র লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৪ হৌখ্রে। টুর্নামেন্ট হৌদোকপগী থৌরম অদুদা ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিয়েসনগী ভাইস প্রসিদেন্ট পি রঘুমনি, দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস এসোসিয়েসন টামেংলোংগী প্রসিদেন্ট অদি লিয়াংমৈ অমদি ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিয়েসনগী এদজুগেটিব মেম্বর ওইরিবা কে হেমান্দ্রো (মোমো) না মথংশিংনা চীফ গেষ্ট, প্রসিদেন্ট অমসুং গেষ্ট ওফ ওনরশিং ওইখি।

লীগ অসিগী অহানবা শান্নখিবা মেটচতা দব্লিউ সি ৱাই ৱেষ্ট চিবুলোন য়ুঠ ক্লবনা আই সি পি ইনরিয়াংলোং চাবুৱানফাম্বু গোল ২–১ দা মায়থীবা পীখি।

অনীশুবা মেটচতা কে ৱাই সি খৌপিলোং য়ুঠ ক্লবনা বিও বজার য়ুঠ ওগর্নাইজেসনবু গোল ৪–২ দা মায়থীবা পীখি।

## পুরিদা চহী ১১ মখাগী চেছ পাঙথোক্লগনি

*ইম্ফাল, জুন ২৫ঃ* উদিষাগী পুরিদা জুলাই ২৪ দগী আগষ্ট ১ ফাওবা চহী ১১ মখা নুপামচা অমদি নুপীমচাগী নেস্নেল চেছ চেম্পিয়ন্সিপ ২০১৪ পাঙথোক্লগনি।

চেম্পিয়ন্সিপ অসিগীদমক মণিপুরগী মহুৎ শিন্নবা হান্নবা খনখ্রবা চেছ শান্নরোইশিং অমদি চেম্পিয়ন্সিপ অসিদা য়াওনিংবা অতোপ্পা শান্নরোইশিংনা অকুপ্পা মরোল মণিপুর চেছ এসোসিয়েসনদগী থা অসিগী ২৮ ফাওবগী মনুংদা খঙলবা য়াগনি হায়না এসোসিয়েসন অসিগী চেরোল অমনা হায়রি।

ওর্থোবিত কেপ্সুল অমসুং থাউ

লম কয়াদা কান্নরবা, মতম শাংনা ঙাইনদুনা লৈরক্লবা, ফীবম শোক্লবা, য়াম্না লীরবা হকচাংদা চীকপা ফাওবা অথিতিস্ত, খু কাং নাবা, নিংজুদা নাবা, খ্বাং নাবা (লম্বর পেন, স্বেল্লিং পিল মসল, ব্রুস স্প্রেন্স অমসুং অতোপ্পা হকচাংদা নুংঙাইতবা ফাওবশিং)গীদমক থিজিনবদগী ফংলকপনি।




ইফেক খক্তনি
আর.ই.পি এলগী মগুণ লৈবা অয়ুর্বেদিক পোথোকশিং
সাইদ ইফেক লৈতে
মমীং লৈবা কেমিষ্ট পূম্নমক্তা ফংগনি

## খো–খো টিম ইম্ফাল থাদোকখ্রে

*ইম্ফাল, জুন ২৫ঃ* বিহারগী বিহাটাদা থা অসিগী ২৮ দগী ৩০ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবা ১৯ শুবা ইষ্ট জোন নেস্নেল খো–খো চেম্পিয়ন্সিপ ২০১৪ দা শরুক য়াগদবা মণিপুরগী নুপা অমদি নুপীগী টিম ঙসি ইম্ফাল থাদোকখ্রে।

মণিপুর টিম অসি এল জাদুমনি মৈতৈনা লুচিংখি। নুপাগী ওইনা শরুক য়াগদবা শান্নরোইশিং অদুদি টি ঐচ হেম্বা সিংহ, ৱাই মিরঞ্জিৎ সিংহ, ও রবিচন্দ্র সিংহ, ঐচ নেলসন সিংহ, এম হেমন্ত সিংহ, এস ঐচ বোবোই সিংহ, এস ঐচ প্রেমবর্ত্ত শর্ম্মা, এম সুরজ সিংহ, এন রোবিন্দ্রো সিংহ, টি ঐচ চুরামনি সিংহ, এল কিষন সিংহ অমদি এম দি সরুক খাননি।

নুপাগী শান্নরোইশিং অদুদি টি ঐচ সনামচা দেবী, এ মেহর দেবী, নির্মালা লাইশ্রম, কে ঐচ রাসেশ্বরি দেবী, দব্লিউ বিদ্যারানি দেবী, টি ঐচ রোজি দেবী, টি ঐচ লিক্লাসনা দেবী, এম রোমিতা দেবী, এন অথোই দেবী, এস হেমোলতা দেবী অমদি টি ঐচ অথোই দেবীনি।

নুপাগী কোচ অমদি মেনেজরনা এন শান্তিকুমার সিংহ অমসুং ৱাই সরত সিংহনি। নুপীগী কোচ অমদি মেনেজরনা এল জাদুমনি সিংহ অমসুং পি ঐচ জেবিতা দেবীনি।







### MOST GOALS

| Player | | Goals | Shots |
|---|---|---|---|
| Neymar | #10 F - BRA | 4 | 9 |
| K. Benzema | #10 F - FRA | 3 | 12 |
| A. Robben | #11 M - NED | 3 | 8 |

### MOST PASSES

| Player | | Passes | Accuracy |
|---|---|---|---|
| A. Pirlo | #21 M - ITA | 268 (249) | 93% |
| D. De Rossi | #16 M - ITA | 212 (195) | 92% |
| G. Medel | #17 D - CHI | 207 (193) | 93% |

### MOST SAVES

| Player | | Saves | Conceded |
|---|---|---|---|
| C. Itandje | #16 G - CMR | 14 | 9 |
| C. Bravo | #1 G - CHI | 11 | 3 |
| D. Benaglio | #1 G - SUI | 10 | 6 |

### MOST ASSISTS

| Player | | Assists | Passes |
|---|---|---|---|
| D. Blind | #5 D - NED | 3 | 107 |
| J. Cuadrado | #11 M - COL | 3 | 81 |
| J. Rodriguez | #10 M - COL | 2 | 123 |

FIFA WORLD CUP 2014 TRACKER

| | | | |
|---|---|---|---|
| 117 GOALS | 1425 CROSSES | 593 SHOTS ON TARGET | 108 YELLOW CARDS |
| 428 SHOTS OFF TARGET | 7 RED CARDS | 417 SAVES | 21 CLEAN SHEETS |

Brasil 2014

### TEAMS

| Goals | | Total | Average |
|---|---|---|---|
| 1. | NED | 10 | 3.33 |
| 2. | COL | 9 | 3 |
| 3. | FRA | 8 | 4 |
| 4. | BRA | 7 | 2.33 |
| 5. | CRO | 6 | 2 |
| 6. | GER | 6 | 3 |
| 7. | CHI | 5 | 1.67 |
| 8. | ALG | 5 | 2.5 |
| 9. | SUI | 4 | 2 |
| 10. | ESP | 4 | 1.33 |

| Reds | Total | Average |
|---|---|---|
| CRO | 1 | 0.33 |
| ITA | 1 | 0.33 |
| POR | 1 | 0.5 |

| Yellows | Total | Average |
|---|---|---|
| CIV | 7 | 2.33 |
| AUS | 6 | 2 |
| URU | 6 | 2 |







Printed and Published by Waikhom Meghachandra Singh on behalf of Nongpok Publishers Pvt.Ltd from Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur. Printed at Advance Printers, Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur. Editor: **H. Achouba Sharma,** RNI Registration No. 31350/ 77; Tel # 2459064, 2441490 *e-mail : sanaleibakdaily@yahoo.com, sanaleibakdaily2008@gmail.com*